N.V.S

M/S BHUBON & LEIREN BRICK FIELD
KAKCHING LAMDONG

| Class | Rate Per Brick |
|---|---|
| 1st Class | 13.5 |
| 2nd Class | 12.5 |
| 1st Reject | 11.5 |
| | |
| Jamat | 10.5 |
| 1st PT | 11.5 |
| 2nd PT | 10 |
| 3rd/Grd 1 | 7.5 |
| 3rd/Grd 2 | 6 |
| 1st/Checktek 1 Load 407 Canter : 5000 | |
| 3rd/Checktek 1 Load 407 Canter : 2500 | |

Office Contact No :
8618055934, 9378107273 & 9383152946
* Transport Charge Extra
N.B : (Koyla & singna mei eekpa quality leiba laxmi & dayal gi brick animak fangbigani

HL-P/10067/15 May to 13 June

M/S BEE BRICK FIELD
Wangjing Sabal Checkon Leikai
Near, Khongjom War Memorial
GSTIN - 14CMPYS1064C2ZU

| Class | Rate | No. Of Bricks | Amount |
|---|---|---|---|
| 1st Class | 13.80 | 1,500 | 20,700 |
| | | 2,000 | 27,600 |
| 2nd Class | 12.50 | 1,500 | 18,750 |
| | | 2,000 | 25,000 |
| 1st Reject | 11.50 | 1,500 | 17,250 |
| | | 2,000 | 23,000 |
| Jhamat | 10.50 | 1,500 | 15,750 |
| | | 2,000 | 21,000 |
| 1st P.T | 11.00 | 1,500 | 16,500 |
| | | 2,000 | 22,000 |
| 2nd P.T | 10.00 | 1,500 | 15,000 |
| | | 2,000 | 20,000 |
| P.T Reject | 8.50 | 1,500 | 12,750 |
| | | 2,000 | 17,000 |
| 3rd Class | 6.00 | 1,500 | 9,000 |
| | | 2,000 | 12,000 |
| Checktek 1 Load 407 Cantor | | | 4,500 |

Contact No. 7005134130

HL-P/10585/29 April to 14 May

লৌশিং পুক্কে

# ঈশিং থকপা য়াম্না কান্নে

## ঈশিংনা ঐখোয়গী হকচাং মনুংদা য়াওরিবা অমোৎপশিং শেংদোকপগী থবক তৌই



মীওইবা হায়বা অহীংবা থৱায় পানবা জিব অসিনা হিংবদা তঙাইফদবা মচাক কয়া চঙই। হায়রিবা তঙাইফদবা মচাকশিং অদু য়াওদ্রবদি মীওইবনা মালেম অসিদা হিংবা ঙম্লোই। মীওইবনা হিংবদা চঙবা তঙাইফদবা মচাকশিং অদু ফংদবনা মরম ওইরগা খম থেংনা চাওখৎপগা লোয়ননা য়ুনিভর্স অসিদা মালেম পৃথিবিদগী হেন্না চাউবা প্লানেট কয়া লৈরবসু ঙসি ফাওবা মফম অদুদা মীওইবনা হিংবা ঙমদে। মসিগীময়েক লারবা খুদম হায়রগদি পৃথিবিগা নক্লনা লৈরিবা মীওইবনসু খোঙদাবা ঙল্লবা থা লৈবাক্তা মীওইবনা হিংবদা চঙবা তঙাইফদবা মচাকশিং অদু ৱাৎনা লৈবদগী খুন্দা লৈতাদুনা লৈবা ঙমদ্রি। অদুম ওইনমক চাওখৎলকপগী মতুংইন্না থা লৈবাক্তা মীওইবনা হিংবদা চঙবা মচাকশিং অদু শেমগৎনবা অকনবা মওংদা থৌরাং কয়া লেপ্পা লৈতনা পায়খৎলি।

মীওইবনা হিংবদা মরুওইবা মচাক কয়া মথৌ তারবসু তঙাইমক ফদনা অহানবদা ওক্সিজেন, ঈশিং অমদি চান-থক্লবা পোৎলমশিং য়াওদনদি হিংবা ঙমদে হায়বসি পূন্নমক্না খঙনরবা ৱাফম্নি। ঈশিং হায়রিবা পোৎশক অসি মীওইবনা হিংবদা তঙাইফদবা পোৎশক অমা ওইবতা নত্তনা হকচাংগী কয়াৎশিংনা মথৌ পাঙথোক্লবা হোৎনবদা য়াম্না মথৌ তাই। ঈশিংনা মীওইবগী পুন্সিবু হিংহনবা ঙমহনবতা নত্তনা হকচাং মনুংদা ঈশিংনা শুমচিৎকী মতৌগুম নীংথিনা শিৎ-শেংদুনা তরু তনান্না লৈহনবা ঙম্মী। ঐখোয় মীওইবনা চাশিন-থকচিল্লিবা পোৎশক কয়া অসি হকচাংগী মপান্দা মওং অমদা হেক্তা পুথোরক্লবা হোৎনবদা ঈশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌরি। সাইন্সকী মতুংইন্নসু মীওইবা অমগী হকচাংদা ঈশিংগী চাং অসি চাদা ৬০ য়াওই। ঈশিংনা হকচাংগী টেম্পরেচর চাং নাইনা থম্বদা, ব্রেনগী মথৌ তৌহনবদা, হকচাংদা ইনর্জি পীবদা, চাবা তুমহনবদা, হকচাংদগী ফত্তবা পোৎলমশিং মপান্দা পুথোকপদা, স্পাইনেল কোর্দ অমদি অতৈ টিসুশিং মথৌ নীংথিনা তৌহনবদা ঈশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌরি। মসিগী মথক্তা হকচাংগী কয়াৎশিংদা ওক্সিজেন য়ৌহন্নবা হোৎনবদা ঈশিংগী থৌদাং য়াম্না চাউনা য়াওরি। ঈশিং চাং নাইনা থকপা মীওইশিংগী উনশাগী ওইনসু য়াম্না কান্নবা পীদুনা কুচু কুমেন ফজনা লৈবা ঙম্বা ওইহল্লি।

ঈশিং থকপনা হকচাংদা কান্নবা কয়া পীরি। অদুবু ঈশিং থকপগী মতমসু লৈতবা নত্তে। ঈশিং থকপনা হকচাংদা কান্নবা কয়া পীরবসু মতম চানা ঈশিং থক্লবদি মদুনা তশেংনা চপচানা ঈশিং থকপগী হকচাংদা পীরিবা কান্নবা হেলহল্লি। অখঙ-অহৈশিংগী মতুংইন্না ঈশিং থকপগী মতম অসি নুংঙাইনা অহীং মপুং ফানা তুম্লবা মতুংদা হেক হৌগৎলকপা মতমদা য়ামদ্রবদা ঈশিং গিলাস অমা থকপনা হকচাংদা য়াম্না কান্নবা কয়া পী। লোয়ননা হকচাং শাজেল তৌরবা মতুং ঙাইহাক লৈরগা ঈশিং থকপনা হকচাংদা কান্নবা কয়া পীবতা নত্তনা হকচাংদা লৈরম্বা হু চেনবা ফৎত্রবা পোৎশক কয়া মপান্দা পুথোরক্লবা হোৎনবদা অচৌবা মতেং কয়া পাংলি। কনাগুম্বা মীওই খরদি চাক চাবা হেক তোকপগা ঈশিং খুজাই অমা ফাওবা থকচিনবা য়াওদবা নত্তে। অদুবু চাক চাবা হেক তোকপগা ঈশিং থকপনা চাবা তুম্নবা হোৎনবদা খরা খজিক হকচাংদা অৱাবা ওইহল্লি। মরম অদুনা চাক চাবা হেক তোকপগা ঈশিং থকপগী মহুত্তা য়ামদ্রবদা চাকচাবা তোকপা পুংখাই অমগী মতুংদা ঈশিং থক্লবদি হকচাংদা হেন্না কান্নবা পী। লোয়ননা হকচাং চোকথবা অৱাবা মতমদা ঈশিং গিলাস অমা থকপনা হকচাং চোকথবা ফহল্লি। লোয়ননা চাক চাদ্রিঙৈ মমাং ঈশিং খজিক থকপনসু কান্নবা পী। ঈশিং থকপনা হকচাংদা কান্নবা কয়া পীবতা নত্তনা মীওইবগী হকচাংদা নারকপা য়াবা লায়না-তিন্না কয়াদগীসু ঙাকথোকপা ঙম্মী।

ঈশিংনা হকচাংদা নারক্কদবা লায়না কয়াদগী ঙাকথোকপা ঙম্বগী মথক্তা ঈশিং চাং নাইনা থকপনা মরুওইনা কিদনিদা নুং লৈবা অমদি কিদনিদা নাহল্লকপা য়াবা লায়নাশিংদগীসু ঙাকথোকপা ঙম্মী। ষ্টদি অমগী রিপোর্টকী মতুংইন্না পাৎ ময়াদা লৈবা মীওইশিংগী মনুংদা মীওই খরদি অদুমক কিদনিদা নুং লৈবগী অৱাবা মায়োক্লে। পাৎ ময়াদা লৈবা অমদি অঙৈংবা মফমশিংদা লৈবা মীওইশিংদনা হেন্না কিদনিদা নুং লৈবগী চাং ৱাংলিবসি করিগীনো হায়না থিজিল্লুবদা পাৎ ময়াদা লৈবা মীওইশিং অসি মতম পূন্নমক্তা ঈশিংগা হকথেংননা লৈবা অমদি পাৎতগী হুমগৎলকপা ঈশিংগী মনিল অদুনা হকচাংদা ঈংহনবা ফাওবনা ঈশিং থক্লিংবগী চাং য়াম্না নেম্না লৈবনা কিদনিদা নুং লৈবগী চাং অসি ৱাংনা লৈবনি হায়বা খঙলকপা ঙমখি। অসিগুম্না অঙৈংবা মফমশিংদা লৈবা মীওইশিংদসু অসিগুম্বা খুদোংচাদবা অৱাবা অসি মায়োক্লবগী চাং য়াম্না ৱাংনা লৈ। মসি মীওই খুদিংমক্তা থোকপদি নত্তে। অদুমকপু অতৈ মফমশিংদা লৈবা মীওইশিংগা চাংদম্নদুনা য়েংলুবদা খরা খজিক কিদনিদা নুং লৈবগী চাং হেল্লি হায়বগী ৱানি। লুম্বু-লুম্বু শাবা ফুৎতোক্লবা ঈশিং থকপনসু লায়না কয়াদগী ঙাকথোকপা ঙম্বতা নত্তনা চাবা তুম্নবগী সিষ্টমদা য়াম্না কান্নবা পী।

ঈশিং চাং নাইনা থকপনা হকচাংদা কান্নবা কয়া পীরবসু ফত্তবা মখলগী ঈশিং থকপনা হকচাংদা লায়না কয়ানা নাহল্লকপা য়াবগী চাং য়াম্না ৱাংনা লৈ। মরম অদুনা ঈশিং থকপা ফৈ, হকচাংদা কান্নবা কয়া পী হায়রবসু ঐখোয়না ঈশিং থকপা মতমদা অফবা মখলগী ঈশিং থকপা য়াম্না মথৌ তাই। অমোৎপা ফত্তবা ঈশিং থকপনা হকচাংদা লায়না কয়ানা নাহল্লকই। ফত্তবা ঈশিং থকপনা মীওইবগী হকচাংদা মরুওইনা কোলেরা, দাইরিয়া, দাইসেন্ট্রি, হেপাটাইটিস এ, টাইফোট অমদি পোলিওনচিংবা লায়নাশিংনা নাহল্লকপা য়াবগী চাং য়াম্না ৱাংনা লৈ।

রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না মালেমদা অমোৎপা ফত্তবা ঈশিং থকপদগী তোঙান-তোঙানবা লায়না কয়ানা নারক্লুনা চহী অমদা মীওই মিলিয়ন ৩.৪ লোম শিহল্লি হায়রি। মরম অদুনা অফবা মখলগী ঈশিং থকপা য়াম্না তঙাইফদে। মরম অদুনা ঈশিং থকপা মতমদা লূ-নানবা, চেকশিনবা অমদি অফবা মখলগী ঈশিং থকপা মথৌ তাই। অফবা মখলগী ঈশিং থকপনা হকচাংদা কান্নবা কয়া পীবতা নত্তনা লায়না-তিন্না কয়া নারক্কদবদগী ঙাকথোকপা ঙম্বতা নত্তনা হকচাং নুংঙাইনা ৱাখল-লৌশিং থোক্লা হিংবা ঙমহল্লি। তৌবতবু অফবা মখলগী ঈশিংনি হায়না য়োল্লিবা অসিসু ঐখোয়না চ্যেক অমদি টেষ্ট তৌদুনা থকপা মথৌ তাই।

আর্টিকল অসি রিলাইএবল সোর্সতা য়ুম্ফম ওইরগা ফোঙবনি, অদুবু মসিনা মেদিকেল প্রোফেসনেলশিংগী পাউতাককী মহুৎ শিন্নবা হোৎনবদি নত্তে

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১৬।০৫।২০২৪ ইং, শগোলশেল;
অয়ুক পুং ৬.২৩ ফাওবা কালেনগী ৮ নি পাল্লি, মতুংদি ৯নি পাল্লনি।

**মেষ:** নচা-ননাইনা নরলদা মীতাবা, ৱাজাউ ঙাংবনা মীকোক থোংবা ৱাহনবা নুমিৎনি। য়াকা য়েংউ, মাঙগদবগী শরুক য়ৈথোকপনদি ফৈ।
লৈশা পাখংগী- ঈংথবনা মফরে।
থৌনি পোৎলম: লৈ নাপু/কিসমিস

**বৃষ:** খুৎচাও থাবদি কান্নবা ৱাৎকনি। অদুবু য়েৎনবদা মায় পাকপা, থৌনা ফুদোকপনা লন হেন্না ফংবা, হৈথোই শীংথোইবনা মিং চৎপা লৈ।
লৈশা পাখংগী- নীংবা মপাদি চারোই।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙৌবা

**মিথুন:** লাইবক ফবনা নচাক-নরল ঙসিসু চাওখৎকনি। লল্লোন-ইতিক্তা খুৎচাও থাবা মতাং চাগনি। শিখাঙ খাঙগনু, য়ান-য়ানবা চৎপনা মফরে।
লৈশা পাখংগী- ৱাখল খরদি নুংঙাইগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক

**কর্কট:** মীৱা লৌগনু, হোয়া ফগনু। খজিক্তং খন্থরগা পাঙবা থবকশিং মায় শোয়দনা পাক্কনি। লন চঙবা, মীয়ামগী মতেং লৈবা নুমিৎনি।
লৈশা পাখংগী- নীংজবা থুংদ্রসু মরীদি ফৈ।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক

**সিংহ:** নীংবা মপা চাগনি, অফবা থবক ঈংনা পাঙনবা হোৎনৌ-মায় পাক্কনি। অশাওবনা মাঙওইনরদি শোক-পনগনি অমদি চোপকনি।
লৈশা পাখংগী- পূক্নিং মকা লামগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ নাপু/কিসমিস

**কন্যা:** চরাংনবনা মাঙবা অমদি ফংবা য়াবা পনবা নত্তনা অতৈদি ঙম্নমক মায় পাকচগনি। য়েৎনরম্বা ফরনি, লৌশিং থোক্কনি, ইকায় খুম্নবীগনি।
লৈশা পাখংগী- হেন্না আশা চাওখিনু।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙৌবা

**তুলা:** চিংনদনা খুৎচাও থাবা য়াগনি-ওইজবা য়াম্না ফংগনি। অরাপ্পগা মরী ফগৎকনি, ৱাখল থোক্কনি। ঈরাং পুরদি কায়নবা খরদি নংগনি।
লৈশা পাখংগী- লাইবক খরদি ফগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙৌবা/চেঙ

**বৃশ্চিক:** মীনা য়ানবা চৎলু। ঐ মঙাইরে খন্না চৎপনা ইমুংদা ফাওবা য়ানরোই। চিংনগনু, ৱানোম-থৌনোমদি কান্নগনি, শেন্দোংসু লৈগনি।
লৈশা পাখংগী- নীংজবা মপা চাগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাঙবা

**ধনু:** মরী-মতা অমদি লোয়নবনা চানবীগনি, মখোয়গা লোয়নবা থবক পাঙগনি। অফা-অপুন্নবা কোকচগনি। অরং-অরাকতি চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংগী- অনীংবা ফোঙদোক্তবনা ফৈ।
থৌনি পোৎলম: লৈ অশংবা/কিসমিস

**মকর:** লৌশিং তানশিনবা, অরাপ্পগা মতেং লৌনবা থোইনা কান্নবা ফংগনি। উপায় অমা নৎত্রগা অমনা থবক পাঙবা ঙমগনি। য়েৎনবতা য়াওরুনু।
লৈশা পাখংগী- মতম লৌবা ফৈ।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক

**কুম্ভ:** অনীংবা অফবা থবক পাঙবদা অপনবা লৈরোই। মরুপ-মপাং অমদি মীয়াম্না য়াগনি। নাপল লোয়নরদি নখা থাবনফাও উশিৎলোই।
লৈশা পাখংগী- মায় পাক্কনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাঙবা

**মীন:** নচা-ননাইগী লমদা পূক্নিং পেঞ্জবা, য়েক্লববু ঙমজদুনা কান্নবা ফংগদবা নুমিৎনি। নোল্লুকপা অমদি অশাওবা ফাথবদি য়াম্না মরু ওই।
লৈশা পাখংগী- নুংশিবা ফংজগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ/চিনি অঙাঙবা

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

RUDA ACADEMY, THOUBAL
THOUBAL WANGMATABA, THOUBAL, MANIPUR
Affiliated To CBSE-DELHI Aff.No.:-1230036

CONGRATULATIONS TO ALL THE MERITORIOUS STUDENTS.

AISSCE (Science Stream)


1 Birlal Asem 89%

2 T. Korounganba 88.6%

3 E Roshni D 85%

4 Nivedita A 84.2%

5 Ak Luxmi D 83.6%

6 Sh.Sana Devi 83%

7 Valentina Y 81.6%

8 L Malemnganbi 81.6%

(Arts Stream)


1 O Rahul S 83.8%

2 L Mission S 83.8%

AISSE


1 Adison L 92.4%

2 Binitkumar Th. 92.4%

3 K Victoria 91.6%

4 Julie Ksh. 89.2%

5 K Preety D 88.6%

6 H Julia Devi 86.8%

7 Ch Jawed Seikh. 85.6%

8 Mahesh Y. 85.4%

9 Senchuriya Ak. 84.6%

10 K Lingjenthoibi 84.4%

11 S Netajini 84.4%

12 Th Abinash S 84.2%

13 Albha Akoijam 83.4%

14 Irish Heikrujam 80.8%

15 W Inungleima 80.2%%

16 S Meiraba 80%

Subject Toppers


L Malemnganbi English-96/100

E Roshni D Maths-88/100

Birlal Asem Physics-82/100

T. Korounganba Chemistry-90/100

Ak Luxmi D Biology-84/100

Ph Devershree Manipuri-81/100

W Lanchenbi D Hindi-73/100

O Rahul Singh Physical-91/100

Ng Sachin S History-89/100

L Mission S Pol. Sc-85/100

L Mission S Geography-79/100

N Sachin S Economics-61/100

AISSCE (SCIENCE)
PASS PERCENTAGE-100%
AISSCE (ARTS)
PASS PERCENTAGE-100%
AISSE
PASS PERCENTAGE -100%

HL-P/10784/16

ADMISSION OPEN FOR CLASS-XI (SCIENCE & ARTS)
SESSION-2024-25
+91 7640-871184
rudaacademy@gmail.com